HUEIYEN LANPAO

## মহৈরোয়শিংগী কেরিয়র মাঙবা য়ারোই : কে এস এ

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস):
মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী এ পি পান্দে লৌথোকউ হায়না হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিন্নবা কে এস এনা ৱারেপ লৌখ্রে। কে এস এগী সেক্রেটরি ঐচ আর দি রোমেন সোইবম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী এ পি পান্দে লৌথোকউ হায়না হৌখিবা মে ৩০দগী মুসুনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিবু শৌগৎপগা লোয়ননা জুলাই হৌরকপদগী মণিপুরগী মফম কয়াদা চথরকপা সিগনেচর কেম্পেন অদু হয়েং জুলাই ২৮দা লোইশিল্লগনি অমদি মেমোরেন দমগা লোয়ননা নেফিস অমসুং কে এস এনা এম ঐচ আর দিদা পীশিন্দুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা পাউদম্বগা লোয়ননা তক্লগনি অমসুং অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা ৱাফম থমগনি হায়রি। এম য়ুগী ভি সী এ পি পান্দেগী পৱার অমসুং ফঙ্কসন অসি লৌথোক্লগা ইনক্কারি তৌগদবনি হায়না কে এস এগা চৎমিন্নবা য়াবা লূপশিংগা মফম কয়াদা খোঙজং চঙশিল্লক্লি অমসুং মণিপুরগী ৱাংমদা লৈবা মহৈরোয় লূপ অমসুং অতোপ্পা য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় কয়াসু চঙশিল্লক্কনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## কিমাক্সকী থাঙ-তাগী ক্লাস হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ ঃ মহৈরোয় খুন্নাইদা থকসি-খাসি, লমচৎ-শাজৎ ফজবা অমদি মশা-মউ ফনবগী পান্দমদা কিমাক্সনা লেপ্পুনা চথরকপা থৌরাংগী মনুংদা অমা ওইরিবা স্কুলশিংদা থাঙ-তা তম্বীবগী শরুক অমা ওইনা ঙসি খাঙবোক্তা লৈবা ইষ্টর্ন ষ্টার হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা থাঙ-তাগী ক্লাস হৌদোকখ্রে।

থাঙ-তাগী ক্লাস হৌদোকপগী থৌরম অদুদা কিমাক্সকী জেনরেল সেক্রেটরি সাইখোম শান্তা অমদি স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল খুন্দ্রাকপম মঙ্গিজাও অনীনা শরুক য়াখি। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মহৈরোয় খুন্নাইগী করিসু খনবীদ্রবসু অমদি কল্চরবু নমথদুনা থম্লবসু কিমাক্সনা ঙস্লিবমখৈ হোৎনখিগনি হায়না কিমাক্সকী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি সুরজ থাংজম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## থাঙ-তাগী প্রেক্টিকেল পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ ঃ ঐচ এস এল সী কম্পার্টমেন্টেল এগজামিনেসনগী থাঙ-তাগী প্রেক্টিকেল মহৈরোয় মঙা রোল নম্বর ২৫৫৩০, ২৫৭২৪, ২৯৮৭৫, ৩৯৩৮৭ অমসুং ৩৯৬৬৫গী ওইনা থা অসিগী ২৯গী অয়ূক পুং ১১ তাবদা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোক্কনি হায়না বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী কন্ট্রোল্লর ওফ এগজা-মিনেসন এল ফুলচান্দ মীতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## কম্প্যুটরাইজ জমাবন্দি ফোঙলে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ ঃ শওম্বুং সব দেপ্যুটি কলেক্টরগী মখাদা লৈবা ৬০ শংসাবি অমসুং ৭৬ তেলৌ ভিলেজগী কম্প্যুটরাইজ জমাবন্দি মীয়ামদা ফংহনবগী থবক লাক্লিবা ওগষ্ট ৩দগী হৌরগনি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী পোরোম্পাৎতা লৈবা ওফিসতা নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক পুং ১১দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবগী মনুংদা লুপা ৫০গী টি আর কক্লগা কম্প্যুটরাইজ জমাবন্দিগী কোপিশিং লৌবা য়াগনি হায়রি।

## কে ৱাই কে এলগী কাদর অমা ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ ঃ দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী স্পেসল সেলগী অপূনবা টিম অমনা মাঙজৌননা পাউ ফংবদগী থা অসিগী ২৪দা শিংজমৈদা লৈবা চিংননীংঙাই ওইবা য়ুমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা কে ৱাই কে এলগী এক্টিভ মেম্বর অমা ফারে।

ফারবা কাদর অদুগী মমিং শৌগ্রাকপম সুরজিৎ এলাইজ মংলেম, এলাইজ ইবুংঙো (৪৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস য়াইমা কৌই, শিংজমৈ শৌগ্রাকপম লৈকায়দা লৈবা মহাক্কী ময়ূমদগী ফাবনি। লোয়ননা মহাক্কা হায়দোরকপদগী বেরেতা পিষ্টোল অমসু ফংবা ঙম্লে। মখা তানা থিজিন্নবা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসন্না কেস অমা লৌখৎতুনা ইনভে-ষ্টিগেসন চথবা হৌখ্রে হায়না সুপরিটেন্দেন্ট ওফ পুলিস/এন এ বি পি আর ও পুসিল দিপার্টমেন্ট দল্লিয়ু বাসু এম পি এসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## সী আর পি এফকী ৭৯শুবা বট্টালিয়নগী রেজিং দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস):
৭৯শুবা সী আর পি এফকী রেজিং দেগী থৌরম ঙসি লাংজিংদা লৈবা গ্রুপ সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে।

ফোর্স অসি অহানবদা ক্রাউন রিপ্রজেন্টেটিভ পুলিস (সী আর পি) হায়না কুমজা ১৯৩৯গী জুলাই ২৯দা মতমদুগী ইন্দিয়াদা লৈখিবা বৃটিশ লৈঙাক্লা মধ্য প্রদেশকী নিমুচাদা লীংখৎখিবনি। মতুংদা সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স হায়না ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংলবা মতুংদা কুমজা ১৯৪৯গী দিসেম্বর ২৮দা পার্লিয়ামেন্টতা এক্ট অমা ওইনা পাস তৌরবা মতুংদা মমিং ওন্থোকখিবনি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুর নাগালেন্দ সেক্তরগী আই জি পি, আই পি এস রাজেসকুমারনা লুচিংদুনা সী আর পি এফকী মকোক থোংবা ওফিসরশিংগা লোয়ননা মথৌ পাঙথোকপদা লৈখিদ্রবশিংদা ইকায়খুম্নবা উৎখি।



গ্রুপ সেন্তর লাংজিংদা লৈবা মার্টরস মেমোরিএলদা ইকায়খুম্নবা উৎলবা মতুংদা ক্বার্টর গেটতা গার্ড ওফ ওনরসু লৌখি অমসুং গ্রুপ সেন্তরগী ওদিটোরিয়মদা আই জি পি অসিগা লোয়ননা সৈনিক সম্মেলন অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

দি জি, দি আই এস সী/কম্মেন্দেসন সার্টিফিকেটসু ওফিসর অমসুং অতৈ অতোপ্পা মীওইশিংদা য়েন্থোকখি। শিংথানীংঙাই ওইরবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপগীদমক দি জি দিস্ক লান্থোকখিবশিং অদুদি ডা. দিপককুমার, সী এম ও সী ঐচ ইম্ফাল; ৬৯শুবা বট্টালিয়নগী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট কে এন হলদর; ৩২শুবা বট্টালিয়নগী এসিস্টেন্ট কম্মান্দেন্ট ও সুনিল; ৩২শুবা বট্টালিয়নগী ঐচ সী/দি ভি আর এস সোভা; ১০৯শুবা বট্টালিয়নগী কম্মান্দেন্ট বিনোদ কুমার; ৮৬শুবা বট্টালিয়নগী কম্মান্দেন্ট কৈল্যান সিংহ; ৮৬শুবা বট্টালিয়নগী টু আই সী নরেন্দ্র; ১০৯ শুবা বট্টালিয়নগী এসিস্টেন্ট কম্মান্দেন্ট মাজোজ এন; ১০৯শুবা বট্টালিয়নগী এসিস্টেন্ট কম্মান্দেন্ট জে কে মহাপত্র; মণিপুর নাগালেন্দ সেক্তরগী ঐচ সী/দি ভি আর টি কে সিংহ; ৬৯শুবা বট্টালিয়নগী ঐচ সী এফ টি আর সী ঐচ ওপেন অমসুং মণিপুর নাগালেন্দ সেক্তরগী সী টি/দি ভি আর কে রোজেননি।

নুমিৎয়ুংবা মতুংদা সী আর পি এফ টিমগা মালোম ফুটবোল ক্লবকা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেচ অমসু শান্নখি। ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মণিপুর নাগালেন্দ সেক্তরগী আই জি পি, আই পি এস রাজেসকুমারগা লোয়ননা মণিপুর নাগালেন্দ সেক্তরগী দি আই জি মোহেন্দরকুমার অমসুং জি সী ইম্ফালগী দি আই জি আই লোকেন্দ্র, বৃগেদিয়র রির্টার্দ এস কে শর্ম্মা, দি আই জি রেঞ্জ ইম্ফাল ডা. ঐচ সী লিঙ্গরাজ, দি আই জি মেদিকেল সী ঐচ ইম্ফাল, কম্মান্দেন্টশিং অমসুং ওফিসর কয়া লোয়ননা অতৈ পার্সনেলশিংসু শরুক য়াখি হায়না পি আর ও গ্রুপ সেন্তর সী আর পি এফ লাংজিংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## মহাকবি অঙাংহলগী ১২৬শুবা মপোক কুমওন থৌরম হৌদোক্কনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস):
তুংগী য়াইফনবা শেম্বা কাঙলুপ, শমুরৌ কৈথেলনা চহী অমা চূপ্না পাঙথোরকপা মহাকবি হিজম অঙাংহলগী ১২৫শুবা মপোক কুমওন থৌরম লোইশিনবগা লোয়ননা মহাকবি অসিগী ১২৬শুবা মপোক কুমওন হৌদোকপগী থৌরম হয়েং অয়ূক পুং ১০ তাবদা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্কনি হায়রি।

তুংগী য়াইফনবা শেম্বা কাঙলুপ, শমুরৌগী প্রসিদেন্ট এল সী সুরজিৎ কুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অসিদা মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট আই এস কাংজম, নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রর কাংজম রাধাকুমার (আই এ এস) অমদি ময়ায় লম্বী ভেটরান স্পোর্টস এসোসিএসনগী সেক্রেটরি লৈহাওথাবম কুঞ্জেশ্বরনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি।

থৌরম অসিগী মনুং চন্না মেগা সোভিনির অমসু ফোঙগনি লোয়ননা শক্ল ইরবা ৱারীমচা ইবা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দি মাইবম নবকিশ্বরদা ইকায়খুম্নবা উৎপা অমদি শমুরৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপার্সন এল নোনিবালানা শমুরৌদা অঙাংহল হায়বা শৈরেং থিবগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিগী মপূং ওইবা শক্তম ওইনা সেসন অনী লৈগনি। অহানবা সেসন্দা মহাকবি অঙাংহলগী খোরিরোলদা অনৌবা শক্লোন হায়না মীংথোনবা সেমিনারদা প্রোফেসর নহাকপম অরুনা অমদি ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসম অনীনা মোদরেটর ওইগনি। রিছোর্স পার্সন ৮ ডা. মাখোনমনি মোংশাবা, ডা. লাইরেনলাকপম সরত, থিঙাম জয়শ্রী, থৌনাওজম গীতারানি, মাইবম নবকিশ্বর, ডা. খাঙেম্বম শামুজৌ, ডা. চিরোম বিরনবালা অমদি ডা. সলাম শান্তিবালানা সেমিনার অসিগী মরী লৈনবা চেশিং লান্থোক্কনি হায়রি। মথং চহী কুমজা ২০১৯গী মার্চ ২৮দা লোইশিন্নবা থৌরাং তৌরিবা কুমওন থৌরম অসিগী মনুং চন্না মেমোরিএল লেকচর, কাঙলুপ অসিনা চহী ২৪ চূপ্না পাঙথোরকখিবা মহাকবিগী থবক থৌরমগী পোথোক ওইনা মণিপুরগী শক্লাইরবা স্কোলর অমদি অইবশিংনা ইবা লমায় ১০০০ হেনবা ৱারেং শৈরেংগী লাইরিক ইংলিস অমদি মণিপুরী লোলদা ফোঙবা অমদি মণিপুরী সাহিত্য অমদি নাৎকীদমক কৎথোক্লবা মীওইশিং ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরমসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

## এম য়ুগী ভি সী লৌথোকউ : এ আই টি আই

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস):
মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা তাইবঙ মহৈকোল এম য়ু মাঙহন-তাকহনবগী থৌওং চথরিবা ভি সী খুদক্তা লৌথোকখো হায়না চঙশিল্লকপা মুসু, মুটা অমসুং মুশাগী খোঙজং নুমিৎ ৫০নি হেল্লবা ফাওবদা য়োকখৎতুনা থল্লিবা মণিপুরগী বি জে পি লৈঙাক মীয়ামগী য়েক্লবনি হায়না ওল ইন্দিয়া টানজিম-ঈ-ইনসাপ (এ আই টি আই) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা ফোঙদোরক্লি।

এ আই টি আই এম এস সীগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম দি সহাবউদ্দিন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, এম য়ুদা আর এস এসকী কাদর থমদবা য়াদে হায়রবসু প্রোফেসর এ পি পান্দে নত্তবা আর এস এসকী অতোপ্পা কাদর লৈত্রব্রা হায়না হংলক্লি।

এম য়ুগী ভি সী লৌথোকখো হায়বা ৱাথোক অসিগী মতাংদদি এ আই টি আইনা মুসু, মুটা অমসুং মুশানা চঙশিল্লিবা খোঙজং শৌগৎলি অমদি এ পি পান্দে খুদক্তা লৌথোক্তুনা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা তাইবঙ মহৈকোল অমদি মহৈরোয় খুন্নাই কল্লু নৎত্রবদি তাইবঙ মহৈকোল অসিবু মাঙহনবা অমদি মহৈরোয় মাঙহনবগী থৌদাং সেন্তর অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্ট পায়রিবা বি জে পিনা থৌদাং পুগদবনি হায়রি।

এ পি পান্দেবু এম য়ুগী ভি সী ওইনা থারকখিবা অসি আর এস এসকী অরোনবা এজেন্দাশিং থবক ওইনা ওন্থোক্লবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী তাঙ্কক নাইনা চথরকপা সুপ্রিম কোর্ট, ইলেক্সন কম্মিসন অমদি বোদি কয়ানা খূৎ থিংজিনবা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিশিংদা আর এস এসকী কাদর থমদুনা লৈবাক অসিবু লান্না পুনবা হোৎনবা খোঙথাং অদুগী মনুংদা অমনি হায়না মরাল শিরি। মরম অসিনা বি জে পি গভর্ণমেন্ট অসিনা তাইবঙ মহৈকোল মাঙগে মাঙজৌ, মহৈরোয় খুন্নাই মাঙগে হায়রগা মাঙজৌ, আর এস এসকী কাদর কন্দবা য়াদে হায়দুনা মরাল লৈরবা এ পি পান্দেবু কন্দুনা থম্বনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অসিগুম্বা বি জে পি লৈঙাক্কী থৌওং অসি অমোৎপা অমসুং খুদোংথিনিংঙাই ওইবা গেমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। লৈবাক মীয়াম্না য়াদ্রবা ভি সী লৌথোকপগী মহুত্তা বি জে পিগী নরেন্দ্র মোদি অমদি এন বিরেন্না লুচিংবা লৈঙাক্লা নাথৈদুনা লৈবা অসি য়ানীংদে। মহৈরোয় খুন্নাই অমদি লৈবাক মাঙহনবগী থৌদাং চীফ মিনিষ্টর বিরেন অমদি প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা পুগদবনি হায়রি।

## য়াইমনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস):
এলাংবম য়াইমনা লৈখিদবদা মণিপুর কলচরেল ইন্টিগ্রেসন কনফরেন্স অমসুং মণিপুর ষ্টেট স্কাউটস য়ুনিয়ন্না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর কলচরেল ইন্টিগ্রেসন কনফরেন্স (এম সী আই সী) গী জেনরেল সেক্রেটরি এল সী রুহিকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, এলাংবম য়াইমা (৯৬) না থা অসিগী ২৫গী অয়ূক পুং ১১ তাবদা মোইরাংখোম লোক্লাওবুংদা লৈবা য়ূমদা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি।

এলাংবম য়াইমা এম সী আই সীগী ফাউন্দর মেম্বর অমনি অমসুং ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী থোইদোক হেন্দোক্ল াচীংগী অমসুং মনুং হঞ্জিনবা মফমগী মীয়ামগীদমক্তা থবক কয়া পাঙথোক্লম্বা মীওইনি। মহাক্কী থৱায়না ঈংনা চিক্লা পোত্থাবা ওইরসনু। মহাক্লা লৈখিদবদা ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, মণিপুর ষ্টেট স্কাউটস য়ুনিয়নগী ভাইস প্রসিদেন্ট আর ভি মিংথিংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর ষ্টেট স্কাউটস য়ুনিয়নগী কাউন্সিল মিটিং অমা থা অসিগী ২৬কী নুংথিল পুং ১ তাবদা পাঙথোক্তুনা রিটয়ার্দ এদ্যুকেসন দিরেক্টর ঈ য়াইমা অমসুং মণিপুর ষ্টেট স্কাউটস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্টনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। হৌখিবা চহী ৪০ রোম অসি স্কাউদ ঈহৌগীদমক্তা শিংথানীংঙাই ওইবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্লম্বা মীওইনি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা তাইবঙ শেম্বা মপূদা স্কাউদ য়ুনিয়ন্না থৌনিজরি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

## অথৌবা চিত্তরঞ্জনগী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস):
অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জন মঙাংনা মশানা মশাবু মৈ থাজদুনা মালেমগী মীয়ামদা খঙহনখিবা থৌনাবু নীংশিংবগী থৌরম থা অসিগী ১৬তা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) না ফোঙদোরক্লি।

এম এস এফকী তাওরেম মার্জিং খুমন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অসি অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জন মঙাংগী বিষ্ণুপুরদা লৈবা নীংশিং খুভমদা নৌনা শেমদোক শাদোক্তুনা খিনগদৌরিবা অথৌবা অসিগী মীতমসু নুমিৎ অসিগী অয়ূক পুং ৭ তাবদা মায়খুম হাংদোক্কনি অমদি হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা থৌরম অসি হৌদোক্লবা মতুংদা মহাক্কী পোক্লফম লমদম তখেল্লম্বম লৈকায়দসু অয়ূক পুং ৮.৩০ তাবদা হৈকৎ লৈকৎ তমগনি। মসিগা লোয়ননা অয়ূক্কী পুং ১০ তাবদা তখেল্লম্বম লৈকায়দগী মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা থাও গ্রাউন্দ থাংমৈবন্দ ফাওবা লাক্তুনা মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্কনি হায়রি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমসু পাঙথোক্কনি। হায়রিবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসিবু মীয়াম্না শরুক য়াবিয়ু হায়বগা লোয়ননা থৌরম অসিবুসু মপূং ফাহনবীনবা এম এস এফনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অসিবু মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবা মণিপুরগী মীয়াম্নসু অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

এম এস এফনা কুমজা ২০০৪গী ওগষ্ট ১৫ ইন্দিয়াগী নীংখা তম্বা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা হরাউ মথোয় কাদুনা পাক শন্না থৌরম পাঙথোক্লিঙৈদা ইনিদয়াগী অৱাং নোংপোক চিদাইদা লৈবা অপীকপা ষ্টেট মণিপুরগী মীয়ামদি আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট ১৯৫৮কী মরুমদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মীওৎ মীনৈ মরক্তা ৱানা খাঙলি অমদি থৱায় কয়া পীখম্নরি হায়বদু উৎনবা অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জন মঙাংনা মশানা মশাবু মৈ থাজদুনা মালেমগী মীয়ামদা খঙহনখি।

## এম য়ুগী ভি সী ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা কনখৎতুনা থম্লোইদবনি : ৱাকো

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস):
মণিপুরনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈরকউঙেদগী ওইরক্লিবা মণিপুরগী শক্তম হঙ্গৎনা য়েংলুবদা নীংবা কায়নীংঙাইনি, য়ূমলোন্নবা লৈবাক অমগী পেন্নবা কবো তম্পাক পীথোকখি অমসুং হৌজিকসু মখা তানা বোর্দর পিল্লর ৮১না মীয়ামগী থম্মোয়দা নিংঙমদবা কয়া পোকহল্লি হায়না ৱেষ্টর্ন ওল ক্লবস ওর্গেনাইজেসন (ৱাকো) না ফোঙদোরক্লি।

ৱাকোগী প্রসিদেন্ট এস রামেশ্বরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টনা করি থোক্লগবা হায়না মীপূম খুদিংগী থম্মোয়দা লাংতক্লহল্লি অমসুং এম য়ুগী থা ২ ফাজিল্লক্লবা ৱাথোক লৈঙাক্লা তাশিন উশিন্নদনা লৈথোক্লি। মণিপুর খুন্নাইগী মহৈরোয়শিং, মীয়াম, মণিপুর মুৎলবসু ভি সী এ পি পান্দেবুদি কন্দবা য়াদে হায়বা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী ৱাখল্লোন মীয়াম্না কন্দেম তৌফম থোকই।

হায়নবা লৈ, ইশা মীনাই ওইরবসু কোক্তি কৈদৌঙেদসু মীনাই ওইহল্লোইদবনি। কোকপু মীনাই ওইখ্রবদি খুন্নাই অদু মুৎলবা, লৈখা তারবা খুন্নাইনি। ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিনশিনখিবা মতমদা লুচিংবশিংগী কোকসু মীনাই ওইখ্রব্রা হায়বগী চিংনবা নোংম-নোংমগী ফাওরক্লি হায়না ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক অমত্তনা ষ্টেট অসিগী ইস্যুশিং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা ময়েক শেংনা হায়জবা ঙমদ্রি হায়না লৌই। মসি মীনাই ওইবগী শাজৎকা মান্নৈ। ঐখোয়গী মহৈরোয়, ঐখোয়গী এম য়ু লালহৌবগী মকোলনি হায়রবা ফাওবা মণিপুর লৈঙাক্লা শেংদোক্তিব্রা করিগীনো। চুম্মী হায়রিব্রা নৎত্রগা মপূদা মনাইনা হায়জবা ঙমজদ্রিব্রা হায়বদুরা হায়না হংলক্লি।

এম য়ুদা উৎ-পাৎ তৌদুনা অচৌবা শেনফম তানখিবা মখোয় খরদি এম এল এ ফাওবা ওইদুনা লৈরি হায়রি। অদুগুম্বা এম এল এ অদু করম্বা পোলিটিকেল পার্টিদা লৈবগে হায়বা মীয়াম্না খঙই হায়রি।

মখোয়না ভি সী এ পি পান্দেবু কন্নবা চেনবা চোঙবা অমদি কনখৎতুনা লৈরি হায়বা মীয়াম্না খঙই। মদুগী মথক্তা ভি সীগা লোয়ননা লৈমিন্নরি হায়বসু খঙই হায়রি।

এম পি অমনা পার্লিয়ামেন্টতা এম য়ুবু লালহৌবগী মকোল ওইরে হায়রিবদু অচুম্বা রিপোর্ট ওইরবদি ভি সী অমসুং মসিগী লৈঙাক্কী অরোনবা লাল্লোং ওইগনি হায়না নীংই অমসুং মদুগী থৌদাং ভি সীনা ওইফম থোকই। পীকখ্রবা ভি সী অমা কন্নবা হোৎনবদা অমা নৎত্রগা অমা হায়জিন্দুনা লৈবাক ৱাথোক ওইহল্লিবা করিগীনো হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ু পি উনাও রেপ কেসতা নুপীমচাদুগী মপানা চেন্নবা মীওই ফাবিনবা হায়জবদা তাবীদবা, কেস ফাইল তৌনবা হায়জবসু লৌবিদবা অদুগা মপা অদুবুনা নোংমৈ পায়, নোংমৈ লৈ হায়দুনা ফাজিল্লগা কষ্টদিদা ফুবদা শিখিবগী থৌদোক ইন্দিয়াগী মীয়াম্না খঙই হায়রি।

অদুগুম্বা তাৎকী দ্রামা মণিপুরদা শান্নবা চুম্লোই। এম য়ুগী মহৈরোয়শিংগী ঈহৌ ওজাশিং, ষ্টাফশিংগী খোঙজং তুংগী খুন্নাই অমগী মীরোলশিং কন্নবা হৌবা ঈহৌনি। ঙসিগী লৈঙাক্লা ওইদ-পাদবা তাৎকী ৱাহৈনা ঈহৌ নমথগনি খনবা লানগনি। মণিপুর মীয়ামগী য়েক্লবা ওইনা লৈতবনা ফগনি হায়না খল্লি অমসুং মীয়ামদসু য়েক্লবা ওইনা খলহল্লোইদবনি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মীয়াম্না অচেৎপা ফীরেপ অমা লৌমিন্নবগী তঙাইফদবদু লৈরে হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ ঃ ককচীং অমদি পলেলদা চেল্লিবা ওটোরিক্সো অমদি মেজিকশিংনা চহী ১০গী মমাঙদা লৌরম্বা গাড়ী অতোংমলগী চাংদা অদুম লৌদুনা লৈরিবা অসিগী মতাংদা দি সী ককচীংগী মখাদা পাঙথোকখিবা অপূনবা মীটিংনা গাড়ী অতোংমল অসি মতম অসিগা য়াম্না চানদবা মওংনি হায়না খঙলবসু গভর্ণমেন্টকী ওইবা ওটোরিক্সো অমসুং মেজিক্কী অতোংমলগী রেট মমল অমা লৈতবা মরম্না হান্না লৌরম্বা লুপা ১০দা অদুমক লৌদুনা গাড়ী চেনবীনবা হায়বগী মতুং ইন্না নুমিৎ ১৪নি গাড়ী চেনবা লেপ্লুবা অদু মখা তানা চেনবা য়ারবসু লাক্লিবা ওগষ্ট ১৫ ফাওবগী মনুংদা গভর্ণমেন্টকী ওইবা অতোংমলগী চাং লেপথোকহন্নবা তক্লবদা দি সী ককচীংনা অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়না তাকপীখিবনা মরম ওইরগা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মরী লৈনবা খুদিংমক্ল া হোৎনদুনা মতমগা চুনবা গাড়ী অতোংমলগী চাং অমা লেপ্পীদুনা তুং কোয়না ফগদবা ফীভম অমা শিনবীনবা ৱাফম ফোঙদোরক্লি হায়না ককচীং টু পলেল টাটা মেজিক ওর্নরস এন্দ দ্রাইভরস এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এন রাজু অমসুং দি ইমোইনু দিজল ওটো ওনরর্স এন্দ দ্রাইভরস এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এম মনিনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মখা তানা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনসু হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা য়েৎনরিবা রুট অসিখক্তগী ওইরবসু নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইরবসু মতমগা চুনবা গাড়ী অতোংমল অমা শেম্বীনবা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

## ওজা লন্ধোনিগা ৱাখল তামিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ ঃ মহৈরোয় লূপ্পু শিংনবগী ৱাঙাঙ ঙাঙলকখিবা ষ্টেন্দর্দ রোবার্থ স্কুলগী প্রিন্সিপাল ওজা লন্ধোনিগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক্লা ৱাখল তামিন্নখ্রে। শুক্কী পব্লিসিটি সেক্রেটরি থোকচোম দোল্লরসেন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবদা শুক্কী হেদ ওফিসতা পূন্না ফমিন্নদুনা ৱাখল তামিন্নখ্রে। মীফম অদুদা শুক্কী এদভাইজরশিং অমদি প্রাইভেট স্কুল ৱেলফ্যের স্কুলগী থৌ পুবশিংসু শরুক য়াখি হায়রি। শুক্লা ষ্টেন্দর্দ রোবার্থ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মথক্তা থমগনি হায়না তৌরম্বা অথিংবা অদু ৱাখল তামিন্নখ্রবা মতুং অমদি মহৈরোয়-শিংগীদমক্তা খন্দুনা হন্দোক্লে হায়রি।

## সঞ্জিতাগীদমক্তা মখা তাবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাবা লোইরে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস):
ৱেটলিফটিং শান্নরোয় খুমুকচম সঞ্জিতাগী মতাংদা ৱাখল্লোন মান্নবা লূপ ময়াম অমা পূনশিন্দুনা মীয়ামগী ওইবা ঈহৌশিং প্রোলেটরিয়ন ফেমিনিষ্ট মুভমেন্ট মণিপুরনা চঙশিন্দুনা লাক্লি। মরক অসিদা খোঙজং অসিগী মায় পাকপা ওইনা দোপিং টেষ্ট অসিদা অশোয়বা খরদি য়াওখ্রে হায়বা ৱাফম অদু আই দব্লিয়ু এফনা য়াজবদি লৈরে। অদুবু মসিনা খুমুকচম সঞ্জিতাগী অৱাবা কোকপা অদুদি ওইদ্রি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পি ও এফ এমগী জেনরেল সেক্রেটরি ললিতাবি চনুনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, শান্নরোয় খুমুকচম সঞ্জিতাদা শিরিবা মরাল অসি য়াম্না চাউনা লৌতুনবগী থৌশিল অমনি। অদুগা লৌতুনবা অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং মতম মতমগী ওইনা অৱাবা নংহন্দুনা লাক্লিবনি।

হৌখিবদা অসিগুম্বা থৌদোক কয়া মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা মায়োক্ল রকখ্রে। ঙসিনা সঞ্জিতানা মায়োক্ল রিবনি। হৌজিক চাউনা লাক্লিবা ৱাহংদি টেষ্ট তৌরিবা য়ুরিন সেম্পল অদু সঞ্জিতাগীরা নৎত্রগা অতোপ্পা মীগীরা হায়বদু অমুক হন্না য়েংশিনবা মথৌ তারে। লৌতুনবা অসি অৱাংবা থাক্তা লৌতুনবা ওইবনা সেম্পল অদু সঞ্জিতাগীরা নৎত্রগা মরক্তা কনাগুম্বা অমনা শিন্দোকখ্রব্রা হায়বসিদগী হৌনা ইনক্কারি চথবগী তঙাইফদবা লৈরে। মরম অদুনা ইন্দিয়ানা নমথনবা হোৎনবিরবা মণিপুরী শান্নরোয় খুমুকচম সঞ্জিতানা ইনক্কারি তৌনবা তকশিল্লিবা অসিদা মণিপুর মীয়াম্না শৌগৎপীয়ু। মণিপুর লৈঙাক্লসু অরানবা ৱাফম শন্দোক্তুনা মীয়াম্বু ঈহৌ অসিদগী নাথৈনবা হোৎনবীবগী মহুত্তা অচুম্বা ৱায়েল পাঙথোক্লবা হোৎনবীয়ু হায়রি।

সঞ্জিতাগী ৱাতোক অসিদা মখল অমত্তগী অচুম্বা ৱায়েল পুরকপা লৈত্রি। চুম্নতগী দোপিংটেষ্ট অসিদা মিষ্টেক খরা লৈখ্রে হায়না ফোঙদোকপখক্তনি। অদুবু শিরিবা মরাল অসি লাল্লম্লে হায়বা নত্তে। মরম অদুনা ৱেটলিফটিং শান্নরোয় সঞ্জিতাগী চপ চাবা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্দ্রিবা ফাওবা পি ও এফ এম অমসুং মসিগা ৱাখল্লোন মান্নবা লূপশিংগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাবা লোইরে হায়রি।

## নেসনল ফুদ সেক্যুরিটি এক্টকী পোৎলম শুনা ফংহল্লু : নুপী মরুপ

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস):
নেসনল ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট ২০১৩না পীরিবা পোৎলমশিং শুনা অমদি চাং নাইনা ফজনা ফংহল্লু হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপ্না তকশিল্লক্লি।

ওল মণিপুর নুপী মরুপকী জেনরেল সেক্রেটরি এল সুমতিবালানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, নেসনল ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট ২০১৩ অসি মীয়ামগী ওইদ্রে। হৌখিবা কুমজা ২০১৩দগী ইন্দিয়াগী অয়াম্বা ষ্টেটতা চৎনবা হৌখ্রবসু মণিপুরদদি য়াম্না থেংনা কুমজা ২০১৬কী এপ্রিল ২৫দা মতমদুগী গভর্ণমেন্টনা এক্ট অসি চৎনরে হায়না লাউথোকখি হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপনা ফোঙদোরক্লি।

এক্ট অসি চৎনরগনি হায়না মতম অদুগী লৈঙাক্লা লাউথোকখিবদা মীয়াম্না হরাউনখি। অহোংবা মমলদা চেঙ ফংলগনি, চাননবগীদমক্তা থোইনা ৱানীংঙাই লৈররোই খন্নরম্মী। মসিদা খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইজখিবা অসি ওল মণিপুর নুপী মরুপনি। অদুবু এক্ট অসি চৎনবা হৌগদবা চহী ৪গী মমাঙদগী নেসনল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ন ৱিমেন্না হোষ্ট ওইদুনা ন্যু দেল্লিদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন পেসিফিক রিজনগী নুপী লুচিংবীশিংগা নুপী মরুপকী মীহুৎশিং য়াওনা কুমজা ২০০৯গী জুন ৯দগী ১১ ফাওবা ফমখিবা মীফম্না লৌখিবা ৱারেপনা মাগী মাগী লৈবাক্কী গভর্ণমেন্টনা লমদমদুগী চানবা মওংগী এক্ট পুথোক্তুনা লমদমশিং অদুগী নুপী মীয়াম্বু অমদি লায়রবা মীশিংবু অহোংবা মমলদা চেঙ ফংহন্দুনা পুক থন্না চাক পীজগদবনি, মশা মউ ফনা থমগদবনি হায়বা অসিনি।

মসিগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদসু এন এফ আই দব্লিয়ুনা এক্ট অসি চৎননবা হোৎনবদা মখল মখা কয়াগী ঈহৌ চথদুনা লাকখি। লেফ্ট পার্টিগী মতেংগা লোয়ননা পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্তুনা কুমজা ২০১৩দগী এক্ট অসি চৎনবা হৌখি হায়রি।

মণিপুরদসু এক্ট অসি চৎনবা হৌনবা মখল মখা কয়াগী ঈহৌ চঙশিনখি। কুমজা ২০১৩গী এপ্রিল ১৪দা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোয়বদা নুপী মরুপকী মেম্বর কয়া থোরক্তুনা মখূৎতা প্লেট অমদি চমচ পায়দুনা রেল্লি চৎখি। সেক্যুরিটিগী মতাংদা অখঙ অহৈ য়াওনা পেনেল দিস্কসন পাঙথোক্তুনা রিকমেন্দেসন লৌরগা গভর্ণমেন্টতা সবমিট তৌখি।

কম্যুনিষ্ট পার্টিগা লোয়ননা প্রোটেষ্ট রেল্লি অমা চৎনবা হোৎনবদা পুলিসনা মোক বোম কাপশিনবদগী সী পি আইগী মীহুৎ অমা মখোঙদা পানবদগী ঙসিসু শোয়নাইরগা লৈরি। নেসনল ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট চৎনহল্লু হায়দুনা দি সী গেটতা প্রোটেষ্ট কয়া তৌখি। থেংনরকপা ময়ামসিদগী কুমজা ২০১৬কী এপ্রিল ২৫গী মতমদুগী মণিপুর গভর্ণমেন্টতসু এক্ট অসি চৎনরে হায়না এসেমব্লিদা লাউথোকখি হায়রি।

ঙসিদি মণিপুরদা ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট চৎনরে অদুবু মসিগী ফংফম থোকপশিং অমসুং ফংদ্রিবা এক্টশিংবু মপূং ফানা ফজনা মীয়ামদা কান্নবা পীনবা হোৎনরকপগী মনুংদা কঞ্জ্যুমর এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী ওফিসরশিং দি সীগী খূত্থাংদা উনবা মতমদা মখোয়না ফোঙদোরকপদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পীরকপা মণিপুরগী কোটাসিনা মণিপুরগী মীয়ামগী চাদা ৮২দি পীবা কোন্নৈ হায়খি।

মণিপুরসি অতোপ্পা ষ্টেটকা য়েংনবদা মীশিং য়াম্না য়ামখিদ্রবা শুপ্পগী মীওই লাক্ষ ২৮/২৯ লোম্না খুনদাবা মফম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী খূত্থাংদা ফাওবা মায় পাক্লা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রি। এক্ট অসি মণিপুরদা চৎনবা হৌখিবা চহী ২গা থা ৪ ফারে। অদুবু ঙসি ফাওবদা ষ্টেটসিগী করম করম্বা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা মীয়াম্না অশেংবা রেসন কার্দ পায়বা ঙম্লবগে হায়না হংলুবদা চয়েৎনবা লৈবনা লোইশিনবা ঙমদ্রে হায়বসিনা মরী লৈনবা ওথোরিটিগী পাউখুম ওইরি। ঙসি ফাওবদা মীয়াম্না চাউরাকপা অমা কৌতাদা ওল্লগা, ফালাদা ওন্দবা শঙ্গোই অমদি ইমুংগী মাঙ্গোলগী মফম অমদা নুমিৎ হুমনি য়েল্লগা লোইশিল্লি, মমল য়ান্নদ্রে হায়রগসু পৈশা নাতে চাহৌদবনা মীগীদি অদুম লৌহৌদনবা মাঙজবা তারে হায়না ফোঙদোরকখি।

এক্টনা পীবা রুল অমসুং রিগ্যুলেসন মপূং ফানা ভাইওলেট তৌগনি হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খুরাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা কুমজা ২০১৬কী নুপী মরুপকী মেম্বরশিংনা ফংফম থোকপা চাকথুং চপ চানা পীবিনবা হোৎনবদা মদুগী লুচিংবী ওইরিবী অদু ফারগা লোক অপ্তা থম্বা মতমদুগী এম এল এ লৈখি হায়রি।

হৌজিকসু চপ চাবা চাকথুং পীগদবনি হায়বগী খোঙজং চঙশিল্লি। নুপী মরুপকী দিমান্দদি নেসনল ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট চৎনহল্লু, পি দি এসকী পোৎলমশিং য়ুনিভর্সেলাইজ তৌগদবনি, চেঙ কেজিদা লুপা ২দা ফংহনগদবনি হায়বসিনি হায়রি।

মসিনা অচৌবা মচা, শক-মায় য়েংনবা অমত্তা লৈররোই। য়াম্না লায়না এক্ট অসি ইমপ্লিমেন্ট তৌবা য়ারগনি হায়না খনবনি। অদুবু গভর্ণমেন্টনা টার্গেট ওইবা থোক্লবনিনা পোলিটিক্সকী খুদোংচাবা লৌনরে। হৌজিক ফাওবদা মীপূম তিংনা রসন কার্দ পায়হনবা ঙমদ্রে অমসুং মতম চানা চেঙ ফংহনবা ঙমদ্রে হায়রি।

মরী লৈনবা মিনিষ্টরনদি ঙসি ফাওবদা থা খুদিংগী চেঙ লেপ্পুনা চিংথোক্লি, দ্যু অমত্তা লৈতে হায়রি। মদু ওইবা তারগদি মীয়াম্না ফংদ্রিবা চেঙশিং কদায়দা লৈখ্রবগে। ফ্যার প্রাইজ শোপ হাংবসু অমত্তা উদে। ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট অসি শুপ্পখক্কী চেঙখক্কী নত্তে। তঙাইফদ্রবা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং ফংহল্লু হায়বনি।

ষ্টেট অসিগী চিনিগী কোটা কদাইদা চৎখ্রে হায়বসিসু হৌজিক হৌজিক হংলিবা ৱাহংনি। এস কে ওইলনা থা অমদা লিটর ১/১ লুপা ৩৫দা পীরি। মীয়াম্না ঙসি অহোঙবা মমলদা ফংলিব্রা নৎত্রগা করম তৌরিবগে হায়বসি খঙহনফম থোকই। মীয়াম্বু অপংবা শিবা মানবা মওংদা হান্নগী চেঙ কেজি ৫/৫ পীরম্বদু ৪/৪দা হন্থরক্লে। মসিনা করিগীনো? অথুবদা হান্না য়েনখিবা থাশিংগী চেঙশিং পীথোক্কদবনি। ৱাৎনা পীবা য়ারোই হায়রি।

লায়রবা মীয়ামগীদমক অঙম্বা থাক্তা থেংনরগা পুরকখিবা মীয়ামগী পুকচাক অসি ঙসিদি মীওই খরগী শেনদানফম ওন্থোরকপা হায়বসি লাইবক থীবনি। ঙসিগী গভর্ণমেন্টনা মিদিয়াগী খূত্থাংদা ফজ-ফজবা ৱাহৈ ৱাতা কয়া ফোঙদোরল্লগা তৌথোরকপা থবক্লা থূৎ লাউবা মীয়ামগী মীংদা কনাগুম্বা খরগী খুদোংচাবা অমদি মখোয়গী লন থুম লেপশিন্নবা চথবা থৌওং অসি তোক্কদবনি হায়রি।

অথুবা মতমদা এক্ট অসিনা পীরিবা পোৎলমশিং শুনা থম্বা, ফ্যার প্রাইজ সোপশিং হাংদুনা মীপূম তিংনা মতম অমত্তদা পোৎ চৈ, চান-থক্লবা পোৎলমশিং লৈবা য়ানবা থবক পায়খৎকদবনি। হায়রিবশিং অসি থবক্তা ওন্থোক্তবা তারগদি নুপী মরুপনা অঙম্বা থাক্তা থেংনগনি হায়রি।